## স্পীকরগী য়ুমগী থোঙ্গান্দা লেথোদ বোম অমা থম্লে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ১৭ (ঐচএনএস): সগোলমাং পুলিস স্টেসনগী মনুং চনবা সগোলমাং মমাং কেইথেলদা লৈবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লীগী স্পীকর ওইরিবা টিএচ লোকেশ্বরগী য়ুমগী থোঙ্গানদা শকখঙদবশিংনা লেথোদ বোম অমা থম্লে হায়রি।

ইম্ফাল অদু ওরাং নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.১১ রোম তাবা মতমদা য়ুমগী থোঙ্গান মমাংদা লৈরম্লবনি হায়রি। ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা সগোলমাং পুলিস স্টেসনদা পাউ পীরকপদগী খুদক্তা সগোলমাং পুলিসকী টিম অমা লাক্লগা নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.৩০ রোম তাবা মতমদা লৌখৎলে হায়রি। বোম অদু কনানা করিগীদমক থম্লবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

## মহৈরোয়শিংনা খুথাং চরা হেল্লি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ১৭ (ঐচ এন এস): সেন্ট্রেল এড্যুকেসনেল ইন্সটিট্যুসন (রিজার্ভেসন ইন এদমিসন)গী রিজার্ভেসন পোলিসিগী ফিরেপ য়াফম থোকই। এম য়ুগী এদমিসন থেংথনবা য়ানিংদনা হায়দুনা জে এ সী এগেন্স্ট ইম্প্লিমেন্টেসন ওফ স্টেট রিজার্ভেসন পোলিসি ইন এদমিসন ইন মণিপুর য়ুনিভর্সিটি (এ সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি)না শীন্দুনা মহৈরোয়শিংনা খুথাং চরা হেনবা অমদি ৱাকৎ মীফম ফম্লগী থবক চৎখি।

এম য়ু গেটেদা খুথাং চরা হেনবগী খোঙজেল চঙশিল্লিবা অদুদা ঙসিগী ওইবা মহৈরোয় তরুক্লা খুথাং চরা হেন্খি। মহৈরোয় কয়াসু ৱাকৎ মীফম ফমখি। জে এ সীগী কনভিনর রোমেন সোইবমচা ফোঙদোরকপদা, এম য়ুগী একাদেমিক সেসন ২০১৬-১৭কী এদমিসনদা য়েৎনা লৈতবা সেন্ট্রেল এড্যুকেসনেল ইন্সটিট্যুসন (রিজার্ভেসন ইন এদমিসন) এক্ট, ২০০৬না পীবা রিজার্ভেসন পোলিসি চৎনগনি হায়না ৱারেপ লৌখি। ৱারেপ অসি য়াম্না মরম চনা, পুম্নমক্না য়াফম থোকপা ৱারেপনি। এম য়ুগী একাদেমিক কাউন্সীলনা লৌখিবা ৱারেপ অসি মপুং ফানা ঈকায় খুম্নদুনা একাদেমিক সেসন মাওংলম্লক্তে। কনাগুম্বগী প্রেসরদা অচুম্বা নাথোনবা হোৎনরোইসি। এম য়ুদা অফবা একাদেমিক এটমোস্ফিয়র লেনবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## পুৱারীগী অমম্বা...

*লামায় ১গী মখা...* ইরগা থম্নিরম্বা কয়া মাঙখ্রবনি। কংলৈ মখোল্লে পুয়াশিং ইরম্লি। নাৎকী লমদা অহোংবা চংবা লাক্লগা লৈথা তানা লৈরকখিবা। ঙসিদি নাৎ নৌথোক্লনা হিংবংলক্লে। হিন্দু লাইনিংনা মরম ওইদুনা অমাঙ-অশেংগী ইন্থোকপা কয়াসু লৈরমই। ঐখোয়গী লম অসি মণিপুর হায়না থোল্লে। মমাঙদা করি কৌরম্বগে হায়বা অদুদি অখণ্ড অহৈশিংনা হেন্না খঙলিবনি। মণিপুর হায়না কৌনখিবসি পামহৈবগী মতমদা মণিগী লৈবাকনি হায়না মণিপুর থোনখি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা স্পেসল ইনভাইটি ওইনা শরুক য়াখিবা ইন্টরনেসল পিছ এন্দ সোসল এদভান্সমেন্ট (ইপসা)গী প্রসিদেন্ট কে ঐচ লুৱাংচা চীংখৈনা ফোঙদোকখিবদা, মীতোপ্না হেঞ্জিল্লক্লবা ঐখোয়গী কংলৈপাকসিদা আই এল পি নৎত্রগা মসিগা মান্নবা বিল অমা চৎনগদবনি হায়না মীয়াম্না ঈহৌ হৌরি। ঈহৌ অসি মীয়াম অমদি তুংগী মীরোলগীদমক্তনি হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা উমানিলগী চ্যেরমেন লাইনিংবা মঙ্গীনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। অকোম লূপকী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ সোমেন্দ্রো, য়ু সী এমগী ইগজিক্যুটিব মেম্বর ইবোতোম্বী খুমন, কংলামৈগী প্রসিদেন্ট ৱাই লৈরিকলৈমা, কে আই এলগী প্রসিদেন্ট আর কে সনাহনবী, সী এল কেগী চীফ এদভাইজর এ লাংদোন লৈমা, পান্থোইবী শিন্দম শঙলেনগী প্রসিদেন্ট এল ধঞ্জয় মঙাং, মণিপুর পন্দিত লোয়শঙগী পনা পন্দিত লাই লোকেনসু গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। রিসার্চ স্কোলর অখাম লাঙ্গোল অমদি সাপম ইবোতোম্বী মীতৈনা রিসোর্চ পার্সন ওইনা শরুক য়াখি।

**GAS TODAY**

**IMPHAL LPG SERVICE**
**SL. NO. 33460**
Booking Upto:16/09/2016
Valid From : 12/09/2016
***Stk:306 (DBTL)***

**MISAO GAS SERVICE**
Booking Upto:22/08/2016
Valid From: 08/08/2016
***Stk:306***
Timing: 7:00am-11:00am.

**R & H, IRILBUNG**
Booking Upto:16/08/2016
Valid From: 10/08/2016
***Stk:306 (DBTL)***
Timing: 8:00am-11:00 am.

**HIYANGTHANG INDANE**
Booking Upto:18/08/2016
Valid From: 11/08/2016
***Stk:306 (DBTL)***
Timing: 7:00am-10:00 am.

# খোই উপু য়েন্থোকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ১৭ (ঐচএনএস): খুৱাই অপুনবা বি কিস্কিং এন্দ হোনি প্রোসেসিং প্রদ্যুসর কম্পেনি লিমিটেডনা শীন্দুনা কম্পেনি অসিগী মেম্বরশিংদা খোই য়োক্লবা খোই উপু য়েন্থোকপগী থৌরম অমা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লব, ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এম এস খাইদেম, স্টেট কোওর্দিনেটর, মণিপুর স্মোল ফার্মর, এগ্রিবিজিনেস কন্সোর্টিয়মনা চীফ গেষ্ট, দল্লিয় সোমরাজ, মেনেজিং দিরেক্টর, ক্রেজেনে টেকস প্রাইভেট লিমিটেডনা ফঙলৈ অমসুং আর কে য়াইফবা, এ জি এম নবার্দ, ইম্ফাল সেন্ট্রেল গেষ্ট ওফ ওনর, এ তারাকিশ্বর, চেরমেন, খুৱাই অপুনবা বি কিস্কিং এন্দ হোনি প্রোসেসিং প্রদ্যুসর কম্পেনি লিমিটেডনা প্রসিদেন্ট ওইখি।

থৌরম অদুগী চীফ গেষ্ট ওইখিবা এম এস খাইদেমনা হায়খি, ফার্মর প্রদ্যুসর কম্পেনি কয়া শেমদুনা মণিপুর স্টেট এগ্রি বিজিনেস কন্সোর্টিয়মনা ফার্মরশিংবু মতেং পাংদুনা লাক্লি। ফার্মর প্রদ্যুসর কম্পেনিশিংনা রেজিষ্ট্রার তৌখিবা চহী ১ ফারক্লবা মতুংদগীদি কন্সোর্টিয়ম অসিনা ইকুইটি গ্রান্টনচিংবগী শেনফম তেংবাং ওইনা পীরি। লোয়ননা কম্পেনি অদুনা লুপা ক্রোর ১ ফাওবগী লোন লৌবদা কন্সোর্টিয়ম অসিনা গরেন্টর ওইদুনা ফার্মরশিংদা খুদোংচাবশিং পীরি।

খুৱাই অপুনবা বি কিস্কিং এন্দ হোনি প্রোসেসিং প্রদ্যুসর কম্পেনি লিমিটেডনা খোইহী পুথোক্তুনা কম্পেনি অসিগী ওইবা ব্রান্দ প্রদক্ট অথুবা মতমদা পুথোক্লবা হোৎনবনি হায়না ফোঙদোকখি। খোইবু য়োক্লবা হোৎনবা অতৈ অতোপ্পা খোইহী পুথোকপা কম্পেনিশিংগী চাং তান্নদুনা মণিপুরগী ফার্মরশিংগী শেঙ্খেক মরাং কায়না লৈহনসি হায়খি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবদা আর কে য়াইফবনা হায়খি, কম্পেনি অসিনা মেম্বরশিংদা খোই উপু পীরবা মতুংদা মেম্বরশিংনা কয়া হোৎনদুনা পোখোক হোল্লা পুথোক্তুনা মতুং তারবদা মেম্বরশিংদা খোই উপু মরাং কায়না ফংহন্নবা হোৎনসি। নবার্দনসু কম্পেনি অসিগী ওইবা খোই উপু শানবা মেন্যুফেকচরি য়ুনিট অমা অথুবা মতমদা লিংখৎনবা মীৎয়েং চংলি। অতৈ অতোপ্পা তৌবা য়াবা কয়াসু মতেং পাংনবা হোৎনরি। কম্পেনি অসি মাঙজৈননা কম্পেনি অমা ওইনবগী মপুং ফাবা পোৎচঙ কয়া অদু লৈবা অসিনা মরম ওইদুনা অথুবা মতমদা অচৌবা কম্পেনি অমা ওইরকপা মতমশিংগী থাজবা থম্বি।

থৌরম অদুদা দল্লিয় সোমরাজনা হায়খি, নৌবা শেঙ্কফা অমসুং রেজিষ্টার তৌরবা ফার্মর প্রদ্যুসর কম্পেনি কয়াগী মরক্তা খুৱাই অপুনবা বি কিস্কিং এন্দ হোনি প্রোসেসিং কম্পেনি লিমিটেডনা মপুং ফানা থাজবা থম্মী। হৌজিক ফাওবগী ওইনা কম্পেনি অসিনা চঙশিল্লকপা থবক থৌরমশিং অসি মায় পাক্লি। তেংপাংবা মতমগী মনুংদা মেম্বর মশিংসু য়ামখৎলকপগা লোয়ননা সিয়ার কেপিটেলসু য়াম্না খোমগৎপা ঙম্লে। মসি কম্পেনি অসিগী দিরেক্টরশিংগী কয়া হোৎনজবগী মহয়নি।

অথুবা মতমদা মেম্বরশিংদা খোই উপুশিং মরাং কায়না য়েন্থোকপা ঙম্লকখি। ক্রেজেনসসু পাংবা য়াবা মতেং পাংবগী য়োৎনদা ওইহন্নবা হোৎনগনি হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী প্রসিদেন্ট ওইখিবা এ তারাকিশ্বরনা হায়খি, কম্পেনি অসিগী মেম্বরশিংনা ঙসি য়েন্থোক্লিবা খোই উপুশিং অসি ইশাংগী কম্পেনি শেম্লিবা অসিদা মদোমদা ইসামকী তুকচরি। অমসুং খোই য়োক্লিবসি ইশাংগী ইথৌবী খন্না খোইহী মরাং কায়না পুথোক্তুনা হোৎনরক্লবনি। অখণ্ড অহৈশিংগী মতেংনা লৌদুনা সাইন্টিফিক বি কিস্কিংগী কান্নবা লৌগদবনি। শিংনবা অমগা লোয়ননা অচৌবা কম্পেনিশিংগা চাং তান্নবা ঙম্লবা থৌরাং হকচাং য়াওনা কয়া হোৎনবা চঙই। খোইহীগী পোলোক মরাং কায়না পুথোক্তুনা শোথরবা খুৱাই অসিদা শেঙ্খেক লম্বী মপুং ফানা লৈহনসি।

ঙসি অদুদা, মপাঙ খুঙ্লেন, কাচি খুল, অৱাং পোংশৎনম অমসুং লাইকোয়চীংগী সেল্ফ হেল্প গ্রুপ মঙাদা খোই উপু ৫/৫ য়েন্থোকখি।

# 'এম য়ুগী ৱাথোক লোইশিন্নবা বি জে পিনা সেন্টরদা তকশিনগদবনি'

ইম্ফাল, ওক্তোবর ১৭ (ঐচ এন এস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা ক্লাস তৌদনা লৈরিবা অসিগী মতাংদা সেন্টরদা লৈঙাক পায়রিবা পার্টি ওইরিবা বি জে পি মণিপুরনা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্তনা লৈরিবা অসি তাইনা লৌদে। নুমিৎ ৩নিগী মনুংদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী চপ চাবা ফিরেপ মীয়ামদা খঙহনগদবনি অমদি এম য়ুগী ৱাথোক লোইশিনবা সেন্টরদা তকশিনগদবনি হায়না দেসমাংগী সেক্রেটরি জেনরেল এন এদিসননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, নুমিৎ ৩নিগী মনুংদা বি জে পি মণিপুরগী চপ চাবা খোঙথাং অদু লাউথোক্তবদি এম য়ুদা থা ৩ হেন্না ক্লাস তৌদনা মহৈরোয়শিংগী একাদেমিক কেরিয়ার মাঙদুনা লৈরিবা অসিগী লৌতুনবদা বি জে পি মণিপুর য়াওই হায়না মহৈরোয়শিংগী লৌগনি। মহৈরোয়শিংগী ৱাইট টু এড্যুকেসন ফংনবগীদমককী বি জে পি মণিপুরগী মখল মখল কয়াগী খোঙজং মহৈরোয়শিংনা চঙশিনগনি। এম য়ুদা থা ৩ হেন্না মহৈরোয়শিংনা পালক্লুনা লৈরিবা অমদি এম মহৈরোয়শিংনা হোষ্টেল থাদোক্তুনা চৎনরিম্না, এম য়ুগী কেম্পসতা তংদু লৈতাদবা ফীভমদ লৈরিবা অসি লৈবাক অসিগী ইস্যু নন্তবদৌনা ঙসি ফাওবা বি জে পি মণিপুরনা তুমিন্না লৈরিবা অসিগী ৱাফমদু করিনো?

এম য়ুগী ভী সীনা থবক্তুদগী পোথাখিবদগী রেগুলর ভী সী হায়বগী ইন্টরভিয়ু চহীসিগী জুনদা পাঙথোকখিবা থা ২ হেল্লবা ফাওবদা ভী সীগী ফম মেনশিন্দনা চরাংনদুনা থল্লি। সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টকী মখাদা লৈবা রিমসকী দিরেক্টরবু কুমজা ২০১৪গী ওগষ্টতা দিরেক্টর ফমদগী লৌথোকখিবদগী মতম শাংনা চহী ২ হেল্লবা ফাওবা রেগুলর দিরেক্টর হাপ্না ৱাথোক কয়াগী ঙাইরম ওইহনদুনা থল্লি। এম য়ুদা মৈ হৌনা লৈরিভৈদা অদু ঐচ আর দি মিনিষ্টর প্রকাশ জাবদেকর মণিপুরদা লাকখি। মতম অদুদা মশামক্না ইস্যু অসি হকথেংনন্না তাপ্রবসু ঙসি ফাওবা করিগুম্বা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্তনা লৈরিবা বি জে পিগী লুজদবা মতৌ উথোকপদা নত্তনা মণিপুরবু থৌজাদবনি হায়না মীয়াম্না ৱাথোকশিং অসিদা নত্তনা মণিপুরদা ইস্যু কয়ানা পীক থন্না লৈরি। বি জে পি মণিপুর প্রদেশনা মীয়ামগী খল্লগা লোইশিন্নবা শিনবীয়ু। ঙাইহাক ঙাইহাক্কী পোলিটিক্সকী খুদোংচাবা লৌনবা ৱাজাও শুদুনা লৈবিগনু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট মহিলা কোংগ্রেস কম্মিটিগী থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

থৌবাল, ওক্তোবর ১৭ (ঐচ এন এস): থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট মহিলা কোংগ্রেস কম্মিটিগী নৌনা থৌ পুগদবশিংবু হরাও-তয়াম্না ওকপা অমদি মমাঙদা থৌ পুরম্লুশিংবু কায়নবগী থৌরম অমা ঙসি দিষ্ট্রিক্ট কোংগ্রেস ওফিস, থৌবালদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট, ব্লোক অমদি মহিলা কম্মিটিগী লূচিংবা-লূচিংবী কয়ানা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি। থৌরমগী মনুং চনবা ওইনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট মহিলা কোংগ্রেস কম্মিটিগী মমাঙদা প্রসিদেন্টকী থৌ পুরম্নী এ সনাতোম্বীনা নৌনা থৌ পুরগদবশিংদা অচম্বা খুদোলপোৎশিং তমদুনা হরাও-তয়াম্না ওকখি। লোয়ননা নৌনা প্রসিদেন্টকী থৌ পুরগদবী ৱাইখোম বিনানসু অরিবা থৌমীশিংদা অচম্বা খুদোল তমখি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট মহিলা কোংগ্রেস কম্মিটিগী নৌনা থৌ পুরগদবা ইগজিক্যুটিব মেম্বরশিং মণিপুর প্রদেশ মহিলা কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট এল তিলোতমানা মাঙজৈননা অয়াবা পীরকপগুম্বনি। নৌনা থৌ পুরগদবশিং অদুদি প্রসিদেন্ট ওইনা থৌবাল এ সীদগী ৱাইখোম বিনানা সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেসন), ৱাংখেম এ সীদগী সোরাইশম রোমোলানা ওর্গনাইজিং সেক্রেটরি, খাঙবোক এ সীদগী লাইমযুম ঙানবীনা ত্রেজরর ওইগনি। ভাইস প্রসিদেন্ট মঙা, সেক্রেটরি অহুম, জোইন্ট সেক্রেটরি তরেৎ অমদি ইগজিক্যুটিব মেম্বর ৫২ লৈগনি হায়রি।

## দাউন গ্রেদ তৌখ্রবা ওজাশিং মখা তানা খোঙজং চঙশিনগদৌরি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ১৭ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ইলিমেন্টরি টিচরস এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট জে আর জাতুংবৈ ইনপুনা প্রসিদেন্ট ওইদুনা ঙসি জে এম হোলদা পাঙথোকখিবা মীটিং অমনা স্টেট কেবীনেটনা হৌখিবা ওগষ্ট ২০ দা দাউন গ্রেদ তৌখিবা ওজা ১৭৮৬ অদুগী মরী লৈননা মখা তানা হৌখিবা ওগষ্ট ১৬ অমসুং সেপ্টেম্বর ৬ তা থোকখিবা ওর্দরশিংবু শিংনদুনা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না ৱারেপ লৌখ্রে।

মীফম অদুগা মরী লৈননা ওল মণিপুর ইলিমেন্টরি স্কুল টিচরস এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি সী ঐচ শান্তকুমারনা হায়খি, হৌখিবা ওগষ্ট ২০ দা ফমখিবা স্টেট কেবীনেটনা ওজা ১৭৮৬ পু দাউন গ্রেদ তৌখিবা অদুগা মরী লৈননা ওর্দরশিং থোকখিববু শিংনদুনা চঙশিনগদৌরিবা খোঙজং অসি হেল্লা মপুং ফাহন্নবগীদমক জোনশিংগী ওইবা কম্মিটি অমমম শেমদুনা মেম্বরশিংগী পাঙ্গল অমসুং শেলগী ওইবা মতেং ফংনবগীদমক মীওই তরেৎনা শাবা কম্মিটি অমমম শেম্না হায়বা ৱাফম য়ানরে। মখা তানা চঙশিনগদৌরিবা খোঙজং অসি হেল্লা মপাঙ্গল কনহল্লবা এক্সন কম্মিটি অমা শেম্লা হায়নসু য়ানরে। ৱারেপ অদুগা মরী লৈননা থা অসিগী ১৭ অমসুং ২৪ ফাওবা সিট ইন প্রোটেষ্ট চৎথবা, থা অসিগী ২৫ দগী ২৮ ফাওবা রিলে হঙ্গর ষ্ট্রাইককী খোঙজং চঙশিনবগা লোয়ননা থা অসিগী ২৯ দা মাস কোর্ট এরেষ্টকী খোঙজং চঙশিনবা অমসুং অরোইবা ওইনা লাক্লিবা নবেম্বর ৪ দগী শিদ্রিবা ফাওবা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিনবনি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

# হেল্‌ঠ ক্যের বেনিফিট কার্দ হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ১৭ (ঐচএনএস): মেদিলেন হেল্‌ঠ ক্যের এন্দ কন্সল্টেন্সি সার্ভিস, পোরোম্পাৎনা শীন্দুনা হেল্‌ঠ ক্যের বেনিফিট কার্দ মীয়ামদা হৌদোকপগা লোয়ননা ৱেবসাইট অমা হাংদোকপগী থৌরম ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লব, ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ডা. ধবলি থাংজম, চ্যেরমেন এন্দ মেনেজিং দিরেক্টর, ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্সনা চীফ গেষ্ট ওইনা হৌদোকখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙবদা মেদিলেন হেল্‌ঠ ক্যের এন্দ কন্সল্টেন্সি সার্ভিসকী মেনেজিং দিরেক্টর মোইরাংথেম দয়ানন্দনা হায়খি, কার্দ অসিগী মতেংনা লমদম অসিগী অনাবশিং শেল য়াম্না চঙহন্দনা লায়েংবগী খুদোংচাবা ফংলগনি। লোয়ননা দাইগ্নোষ্টিক টেষ্ট তৌবা, আই টেষ্ট তৌবদা খুদোংচাবা কয়া ফংবগা লোয়ননা হীদাক-লাংথক য়োনবা দুকান খরদসু কার্দ অসিনা দিস্কাউন্দ ফংহনগনি। কার্দ অসি লমদম অসিগী মফম খুদিংমক্তা ফংহন্নবগীদমক কার্দ প্রোমোটরশিং থম্বা হৌরে। নৎত্রগা ঙসি হাংদোক্লিবা ৱেবসাইট www.medilane.in দগীসু খঙবা য়াগনি। লোয়ননা ৱেবসাইট অসিদগী কার্দ শানবগী খুদোংচাবশিংসু ফংগনি।

অনাবগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা ওফিস অসিদা লাক্তুনা তান্নবগী খুদোংচাবসু ফংগনি। গ্লোবিজ মেন্টর এন্দ আই টি ওন্ট্রপ্রেন্যুরগী মেনেজিং দিরেক্টর রোসনিকুমার য়াম্বেম অমসুং হেল্‌ঠ ক্যের অসিগী কন্সল্টেন্সি সার্ভিসকী মেন্টর অমসুং এদভাইজর ওইরিবা ডা. শ্রেথ চোংথামসু থৌরম অদুগী গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

# মেদিসিনেল প্লান্টকী ৱার্কশোপ হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ১৭ (ঐচএনএস): দিরেক্টোরেট ওফ আয়ুশ, লম্ফেলপাৎ অমসুং ষ্টেট আয়ুশ সোসাইটি মণিপুর অনীনা শীন্দুনা মার্কেট প্রমোসন ওফ ট্রেদিসনেল মেদিসিনেল প্লান্টস ওফ মণিপুর হায়বা হীরম অসিদা ৱার্কশোপ হৌদোকপগী থৌরম ঙসি ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিএসনগী হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ডা. কে লোকেন্দ্রো, দিরেক্টর ওফ আয়ুশ, মণিপুরনা চীফ গেষ্ট, ডা. এল অশোককুমার, এদিসনল দিরেক্টর, আয়ুশ, মণিপুরনা প্রসিদেন্ট অমসুং টি ঐচ মোহেন্দ্র প্রতাপ, আই এফ এস, চীফ কঞ্জার্ভেটর ওফ ফোরেষ্টনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

নুমীৎ নীনি চৎথগদবা ৱার্কশোপ অদু হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা ডা. লোকেন্দ্রোনা হায়খি, লমদম অসিদা মহৌশাদগী ফংলকপা মনা-মশিংগী কান্নবা মীয়াম্না লৌদুনা লাক্লি। ঐনা খঙলিবসি মঙতাক্লি হায়না থাজবগী মহুত্তা অখণ্ড-অহৈশিংগা তান্নবীগদবনি। অঙনবা মতমদগী হৌদুনা লমদম অসিদা হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিংনা লায়েংবগী চৎনবী লৈরক্লি। লিশাং শিংনা চৎনরক্লিবা লায়েং অসিগী কান্নবা ঐখোয়না অখণ্ড-অহৈশিংদগী লৌহৌগদবনি। কান্নরবা মনা-মশিং অসি চাউখৎলকপগী মতুংইন্না নীংথিনা পেক তৌদুনা শেম্বগী চৎনবীসু লাক্লে। সাইন্সকী মতম হায়বদু ওইরবনিনা পুথোক্লিংলিবা পোৎ অদুগী কান্নবসু চাংয়েং তৌদুনা মপুং ফানা খঙবা ঙম্লে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবদা টি ঐচ মহেন্দ্র প্রতাপনা হায়খি, ইন্দিয়াদা হীদাক কান্নরবা পাম্বী মখল লিশিং ১৮ লোম হৌরি। মসিগী মনুংদা মণিপুরদা অদুগুম্বা হীদাক কান্নবা পাম্বী মখল ৪৫৬ রোম ফংলি। লমদম অসিদা হীদাক কান্নরবা পাম্বী মরাং কায়না হৌরিবসি নীংথিনা থিজিন্দুনা মসিদগী কান্নবা মপুং ফানা লৌনবা হোৎনসি।

## মেরা হৌচোংবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ১৭ (ঐচ এন এস): অকোম লূপ, কংলৈপাক শীন্দুনা ঙরাং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ৱাইখোং কৈথেলদা মেরা হৌচোংবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা চীফ গেষ্ট, অকোম লূপকী প্রসিদেন্ট ক্ষেত্রিময়ুমর সোমেন্দ্রোনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। এম এল এ, কে রঞ্জিৎ; এম এল এ, ই দ্বিজমণি অমদি জেনিমসকী দিরেক্টর ডো. দেবেন লাইশ্রমনা স্পেসল গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি। কসুংগী পব্লিক লীদর কে ধর্মসিং, নেসনল এৱার্দী ইবোতোম্বী খুমন, য়ু সী এমগী প্রসিদেন্ট জোন্সন এলাংবম, কোস্মোন ভীলেজগী চীফ এস কে কোস্মোন, ৱাইখোং জিলা পরিষদকী মেম্বর সী ঐচ শান্তি, য়ুরেম্বম কবুই খুলগী খুল্লাকপা বিবিসোন কবুই, ৱাঙূ জিলা পরিষদ এম রোমেন, ন্যু চয়াং ভীলেজগী চীফ এল বি কমনোং, পুরুম লিক্লি ভীলেজগী চীফ থাংবোই পুরুম, ৱাইখোং কৈথেলমানবীগী চীফ দোরথুং অমদি ঙাখাপাৎ ভীলেজগী চীফ লারপু কোমনচিংবা মীওই কয়াসু গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা অকোম লূপকী সেক্রেটরি জেনরেল তেলহৈবা মঙাংনা হায়খি, মৈহৌরোলদগী হৌনা খুন্দা লৈতামিন্নদুনা পানমিন্নরকখিবা য়েলহৌমী হায়রগদি ঙসি ফাওবদা পুন্না খুন্দামিন্নদুনা নুংশি চান্ননা হিংমিন্নরিবা চীংবুরোই-তম্বুরোই মচিন-মনাওশিং অসিনি। নীংখা তম্না, কনাগীসু মীখা পোন্দনা খা নোংপোক থংবা এসিয়াদা হাইনা হুম্না পানখিবা ইরৈবাক্কী নীংখা তম্বা ঙাকমিন্নখিবা ঐখোয়গী লাইওইখ্রবা চীংবুরোই-তম্বুরোই ইপা-ইপুশিংনি। পুৱারীগী লীক্লমদা হঙ্গৎনা য়েংলুবদা ঐখোয় পুন্না অমনা অমগী মতেং পাংমিন্নদুনা হিংমিন্নরকখি। ঐখোয় শেত্তোকপা-খাইদোকপা য়াররোইদবা চীং অমদি তম অমসুং চীংবুরোই-তম্বুরোই ঐখোয় ইচিন-ইনাওশিং অসি হৌরকফম তিন্নবা, ঈ অমত্তগী মচিন-মনাও ওইবা অমদি ইপা-ইপু অমত্তগী চৌদা নৌদাশিংনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## জূ থিংগনি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ১৭ (ঐচ এন এস): ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী মখাদা কেজুএল/মাষ্টররোল ওইনা থবক তৌরিবা ইমপ্লোয়ী ২৬০ রেগ্যুলর তাহনবীদবগী মায়োক্তা ওল মণিপুর ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট ইমপ্লোয়ী এন্দ ৱার্করস য়ুনিয়ননা হয়েংদগী কৈবুল লমজাও নেসনল পার্ক অমসুং ইরোইশেম্বদা লৈবা জূলোজিকেল গার্দেন (জূ) মতম খরগী ওইনা থিংলগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

চহী ২১ রোম হেন্না থবক তৌরক্লবা ইমপ্লোয়ীশিং অসিগী মনুংদা খরা অমসু শিখ্রে। মখোয়গী মনুংদা ১২৮না চহী অসিগী ওগষ্ট থাদা রেগ্যুলর তাহল্লে হায়না লৈঙাক্লা খঙহল্লকখি। মসিগীসু মথক্তা তোঙান তোঙানবা কোর্টনা রুলিং পীদুনা রেগ্যুলর তাহন্নবগী মতাংদা খঙহল্লকখিবা লৈখ্রে। অদুবু লৈঙাক অসিনা থওইনা তারক্তবদগী ৱার্কর য়ুনিয়ন অসিনা প্রোটেষ্ট ওইনা জূ অমদি কৈবুল লমজাও নেসনল পার্কতা মী চঙবা থিংবগী খোঙজং অসি চঙশিনগদৌরিবনি হায়রি।

## কোংগ্রেস লুপখ্রগনি : রাম মাধব...

*লামায় ১গী মখা...* লৈবাক অসিদা পোলিটিকেলগী অহোংবা কয়া লাকপগা লোয়ননা কোংগ্রেসকী ফীভম য়াম্না শোক্লে। ষ্টেট অয়াম্বদা কোংগ্রেস মথং মথং লুপথরক্লি। মণিপুরদসু কোংগ্রেস লুপথরক্লগনি।

মণিপুরদা বি জে পিগী লৈঙাক লাক্লবা মতমদা লৈঙাক্তা ট্রান্সপরেন্সী ওইবা অমদি চাউখৎপা লাক্কনি। ষ্টেট অসিদা থবক লৌবদা শেঞ্জা-থুমজা চথবগী পাউ কয়া তাবা ফংলি। মহৈ-মশিন হৈজরবা নহাশিংবু শেল অমত্তা তিংহন্দনা থবক হাপ্পা অফবা লৈঙাক অমা লৈহনবা মথৌ তারে। বি জে পিনা শেঞ্জা-থুমজা লৈতবা, মীয়ামগীদমক খনবা লৈঙাক পামই। ষ্টেট অসিদা চাউখৎ থৌরাংদা খুমাঙ চাউশিনবা, শেঞ্জা-থুমজা লৈতবা লৈঙাক পুরক্লবগীদমক বি জে পিগী মপাঙ্গল কনখৎহনবা মথৌ তাই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা বি জে পিদা নৌনা য়াওরকখ্রবা এক্স-মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খি, কোংগ্রেস লৈঙাক্কী শিল-লাংবা হৈতবা অরানবা থৌশীল অমদি দিক্টেটরশিপ ওইবা মওংশিং য়ানিংদবদগী পার্টি অসি থাদোক্তুনা বি জে পিদা চঙলকপনি। বি জে পিগী ফজরবা চৎন-কাঙলোনশিং অসিবু থাজদুনা বি জে পিদা চঙলকখিবনি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিগীদমক পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরাং কয়া অসি থোইদোক্লা শীংথানিংঙাই ওইবা মওং অমনি। লূচিংবা অসিগী থৌশীলশিং অসিবু থাজবা থল্লি।

ষ্টেট অসিদা হৌজিক ওইরিবা ফীভম কয়া অসিদা তঙাইফদনা অহোংবা লৈঙাক পুরকপা মথৌ তারে। চীং-তম থোং মান্ননা চাউখৎমিন্নবা, বন্দ লৈতবা লমদম অমা ওইহন্নবা হোৎনবা চঙই। চীংগী লমশিংগী লন্বী অয়াম্বদা কার থৌবা য়াদবা কয়া য়াওরি। চীংগী লম অসি টোপোগ্রাফিকেলগী ওইবা মওং কয়া অসিনা শেমগৎ-শাগৎপগী থবক পায়খৎলকপদা শেল হেন্না চঙনিংঙাই ওই। মসিনা মরম ওইরগা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংগীদমক টোপোগ্রাফিকেল নিদ বেজ বজেট শেম্বা তঙাইফদে।

মণিপুরগী তম্পাক্কী লমশিংদা লৈরিবা মীয়াম্বু ঙাক্লবগীদমক চপ চাবা থৌরাংশিং পায়খৎপা মথৌ তাই। নেসনল হায়ৱেশিং শেমগৎপগা লোয়ননা চপ চাবা থৌরাংশিং পায়খৎপা চঙই। ষ্টেট অসিগী থবক ফংদ্রিবা নহাশিংবু থবক পীনবগীদমক চুনবা থৌরাং কয়া পুথোকপা মথৌ তাই। অসিগুম্বা হীরম কয়া অসিগী মতাংদা বি জে পিগী নেসনল লীদর কয়া উনবদা ৱারী শাখ্রে। নেসনল লীদরশিংনসু নীংথিনা তাবীবগা লোয়ননা মীৎয়েং চঙগনি হায়বগী থাজবসু পীরকখি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা এক্স-মিনিষ্টর ফ্রান্সিস ঙাজোকপানা হায়খি, ষ্টেট অসিগী ওইরক্লিবা ফীভম মুন্না খল্লবা মতুংদা মীয়ামগী অপাম্বা য়েংলগা বি জে পিদা য়াওরকখিবনি। বি জে পিগী চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্লা চত্তুনা মীয়ামগী থবক থৌরমশিং অঙম্বা থাক্তা পায়খৎনবা মীৎয়েং চঙগনি। মীয়ামগী থবক তৌনিংবগী ঈহুলগা লোয়ননা বি জে পিদা চঙলকখিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট কে ভবানন্দনা হায়খি, ষ্টেট অসিগী লৈঙাক্লা পোলিসি পেরালাইজ ওইবদগী অৱাবগী ফীভম অসি লাকপনি। বিল্ডিং খরা শারগা চাউখৎলে হায়বা য়ারোই। লৈঙাক অমা ওইবগী চপ চাবা থবক পায়খত্তুনা মীয়ামগীদমক য়াইফবা পুরক্লবা হোৎনবা চঙই।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মীয়ামগীদমক স্কিম কয়া পায়খৎলক্লি। স্কিমশিং অসি ষ্টেট অসিদসু নীংথিনা চৎনহল্লবদি মীয়ামদা খুদোংচাবা কয়া ফংগনি হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা বি জে পি নোর্থ ইষ্ট জোনেল ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি অজয় জমৱাল, এম এল এ খুমুকচম জয়কিষণ, এম এল এ থোঙাম বিশ্বাজিৎ অমদি বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী লূচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি।

## বোম পোকখায়বদা...

*লামায় ১গী মখা...*অশানবা য়ুম ৱায়রগা লৈবনি হায়রি। মখোয় অহুম কোক, নাকোং অমদি লেঙজুন্নচিংবদা শোকপদগী হৌজিক রাজ মেদিসিটিদা পুখৎতুনা লায়কন্নরি। অদুমকপু থোইনা নুংশা থিনিংঙাই ওইদ্রে হায়রি। থৌদোক থোকফম অদুদা লম্ফেল পুলিস ষ্টেসনগী ও সী, পুলিস কমান্দো অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিসকী এদিস্নেল এস পী বিক্রমজিৎনচিংবা লাক্তুনা য়েংশিনখ্রে হায়রি।

## পোনি কন্নবা ড্রাফট পোলিসি য়াখ্রে...

*লামায় ১গী মখা...*ওইরম্বদু কুমজা ২০১২দা চথখিবা ১৯শুবা ক্যানক্যুনেল লাইভষ্টোক সেন্সস মশীং ১,১০১দা হন্থখ্রে হায়বগী রিপোর্ট লৈরে। মসিনা মরম ওইরগা পোনিগী খোঙ্গুল মুৎখিবা য়াবগী ফীভম উরকপদগী লৈঙাক্লা মথৌ তাবা থবকশিং থিন্থবা তৌদনা পায়খৎনবা লেপ্পখি।

পোনি পোলিসি অসি ইমপ্লিমেন্ট তৌরকপদা ষ্টেট এনিমেল এন্দ হজবেন্দরি দিপার্টমেন্টনা মসিগী নোদেল দিপার্টমেন্ট ওইবগা লোয়ননা মণিপুর লৈঙাক্লা মণিপুরী পোনি ঙাক শেন্দুনা থম্নবগীদমক অখন্নবা হেদ ওফ একাউন্ট অমা হাংদোক্তুনা মথৌ তাবা ফন্দশিং মরাং কায়না থমগনি। লোয়ননা চীফ মিনিষ্টরনা চ্যেরমেন ওইবা মণিপুরী পোনি দিভলপমেন্ট বোর্দ অমসু লিংখৎলগনি।

বোর্দ অসিদা ভেটেরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি মিনিষ্টরনা ভাইস চ্যেরমেন, প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি/কম্মিস্নার/সেক্রেটরি ভেটেরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরিনা মেম্বর সেক্রেটরি ওইগনি। বোর্দ অসিদা মণিপুরী পোনিগা শাগোন্নদুনা চৎলিবা তোঙান তোঙানবা এসোসিএসনশিংগী মীহুৎশিংসু মেম্বর ওইনা য়াওগনি হায়রি।

মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়খি, মণিপুরগী লো এন্দ ওর্দর ঙাক্লবগীদমক ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা অনৌবা পুলিস ষ্টেসন ১০ অমসুং পুলিস আউটপোষ্ট ১৪ হাংদোক্তুনা থবক হৌহন্নবা কেবীনেটনা লেপ্পখ্রে। অনৌবা পুলিস ষ্টেসন ১০ অমসুং আউটপোষ্ট ১৪ নৌনা হাংদোকপগী ৱাফম অসি মমাঙ থাগী ৬তা ফমখিবা ষ্টেট কেবীনেট মীফম্না অয়াবা পীখিবনি। মসিগা লোয়ননা ঙসিগী মীফম্না পুলিস ষ্টেসনশিং অমসুং আউটপোষ্টশিং অদু পুলিসকী হৌজিক লৈরিবা মেনপৱার শীজিন্নদুনা থবক হৌহন্নবা ৱারেপ লৌখিবনি।

নৌনা হাংদোক্কদৌরিবা পুলিস ষ্টেসন অমসুং আউটপোষ্টশিং অসিগীদমক তঙাইফদবা মেনপৱারশিং নৌনা লৌখিরোই। অদুমকপু পুলিস ষ্টেসন অমসুং আউটপোষ্টশিং অসি থবক হৌহনবা য়ানবগীদমক মথৌ তাবা পোষ্টশিং শেম্বদা কেবীনেট মীফম্না অয়াবা পীখি। হৌজিক লৈরিবা পুলিস দিপার্টমেন্টকী মেনপৱার অসিদগী নৌনা ক্রিয়েসন তৌরবা পোষ্টশিং অদুদা থাজিনগদবনি। মসিগী থবক অসি অথুবদা পাঙথোক্লবসু মরী লৈনবশিংদা শিন্নখ্রে হায়রি।

নৌনা হাংগদৌরিবা পুলিস ষ্টেসন ১০ অদুদি চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী কংবাই পুলিস ষ্টেসন, বেহাং পুলিস ষ্টেসন, সগাং পুলিস ষ্টেসন; সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী লৈমখোং পুলিস ষ্টেসন অমসুং কাংচুপ পুলিস ষ্টেসন; বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী নিংথৌখোং পুলিস ষ্টেসন; থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ৱাংজিং পুলিস ষ্টেসন, ইরোং চৈশাবা পুলিস ষ্টেসন, চন্দ্রখোং ময়াই লৈকায় কৈথেল পুলিস ষ্টেসন অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী টুলিহল এয়রপোর্ট পুলিস ষ্টেসননি।

কেবীনেটনা পোষ্ট ক্রিয়েসন তৌবগী অয়াবা পীখ্রবা পোষ্ট মশীং অসি পুলিস ষ্টেসন অমদা ইন্সপেক্টর অমা, সব-ইন্সপেক্টর মরি, এ এস আই মঙা, হেদ কন্সটেবল মরি, পুলিস কন্সটেবল ৪১ অমসুং ড্রাইভর অহুম পুন্না ৫৮নি। অদুগা আউটপোষ্ট অমমমদনা এস আইগী পোষ্ট অমা, এ এস আই অমা, হেদ কন্সটেবল অনী, পুলিস কন্সটেবল ৩০, ড্রাইভর অহুম পুন্না ৩৭নি হায়রি।

মসিগা লোয়ননা ঙসি ফমখিবা কেবীনেট মীফম অদুনা এম ঐচ এসকী নন-স্পেসলিষ্ট ডোক্টশিংগী থবক্তগী পোথাবগী মতম চহী ৬২ ওইহনবা য়াখ্রে।

## নুপীমচা অনী ফন্নানবগী মায়োক্তা রেল্লি চৎখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ১৭(ঐচএনএস): চুড়াচান্দপুরদা চহী নৌরিবী নুপীমচা অনী মীওই খরনা নমদুনা ফন্নানবিখিবগী মায়োক্তা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি মীয়ামগী অচৌবা খোঙচৎ অমা চৎখ্রে।

থৌদোক অদু থা অসিগী ১২ দা চহী ১২ অমদি চহী ১০ গী নুপীমচা অনী মীওই অহুম্না নমদুনা ফন্নানবীরম্বগী মতাংদা খোয়শা-ওনরবা খুঞ্জাশিংনা থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওইশিং অদু অথুবা মতমদা ফারগা আইনগী মতুংইন্না অকনবা চৈরাক পীগদবনি হায়বা খোল্লাউগা লোয়ননা রেল্লি চৎখি।

ঙসি নুংথিল পুং ৪.৩০ রোম তাবদা ওল ট্রাইবেল ৱিমেন্না শীন্দুনা চুড়াচান্দপুরগী হোস্পিটালদগী মীওই লীশিং অমরোমনা শরুক য়াদুনা চুড়াচান্দপুরগী দি সী ওফিস ফাওবা মীয়ামগী খোঙচৎ অদু ফাওবা লাকখি। মতুংদা দি সী উন্নরবা মতুংদা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা চেন্নরিবা মীওইশিং ফারগা অকনবা চৈরাক পীনবা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে। মরকসিদা থৌদোকসিদা চেন্নরিবা মীওই অহুমগী মনুংদা মীওই অনী চুড়াচান্দপুর পুলিসনা ফারগা ৱাহং পাউহং চথুরি হায়রি।

## লুপা ক্রোর ২.৪৬ রোমগী সনা...

*লামায় ১গী মখা...* ইম্ফালগী এন্তি স্মগ্লিং য়ুনিটনা নোর্থ এ ও সীদা থিবা হুৎনগী থবক চৎখি। মদুদা কে জি ৮.৩ রোমগী ওইগদবা গোল্ড বিস্কিট ৫০ মীওই অনীদগী ফাগৎখি। সনাশিং অদু টাটা ৱিঙ্গর অমদা দিমাপুরোমদা পুনবা হোৎনরম্বনি। ফারবা মীওইশিং অদু মখা তাবা ইনভেষ্টিগেসনগীদমক জুদিসল কষ্টদিদা থাজিনখ্রে। ফারবা সনাশিং অদুগী মমল অসি চাউরাক্লা লুপা ক্রোর ২.৪৬ রোম ওইগনি হায়না পানরি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : থিংবাইজম মনিরোতোন সিংহ, জ্যোতিষ শাস্ত্রী, নাগামপাল পাওনম লৈকায়, ইম্ফাল।

তাং ১৮-১০-২০১৬, লৈবাকপোকপা, মেরাগী ১৮ নি পানবা, নুমীদাংগী পুং ১০.৪৮ দগী ১৯ নি পানবা, যোগিনি মায়কৈদি মৈরম, নুমীদাংগী পুং ১০.৪৮ দগী সন্থোং

**মেষ ঃ** ইমুংদা পুকচেল তীন্নদবা, মীনা চানবীবা লৈগনি, অকাউবা লাকপা, শেল চৎপা, থবক্তা কান্নজবা লৈগনি।
লল্লোল ঃ ঈশিংগী পোৎলম, অরংবা পোৎচৈদা কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ ঈকায় নুংশি য়ানগনি।
হকচাং ঃ উনসা, খ্বাঙ নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ হিগোক, চিনি অঙৌবা।

**বৃষ ঃ** চাউখৎপা লৈগনি, পূক্লিং লৈতাদবা ৱাৎকনি, মীগা মুক্লবা, চরাংনবা লৈগনি।
লল্লোল ঃ চাউখৎকনি, য়েক্লবা য়ামগনি।
পাখং-লৈশা ঃ ৱাখল লৈতাফম খঙলোই।
হকচাং ঃ মীৎ মৈগী শাহুম লৈ।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙাঙবা।

**মিথুন ঃ** ইচা ইনাওগী মীদা ঈকায়বা নংবা, মরী মতানা চানবীগনি, তৌজরুবা থবক্তা চাউখৎপা লাক্কনি।
লল্লোল ঃ চাউখৎপা, খুৎশু খুৎলায়গী থবক কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ চান্নবা হেনগনি, থাজনগনি।
হকচাং ঃ মীৎতা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙৌবা।

**কর্কট ঃ** মখা থাবগা মুক্লবা, মথক থোংবা মীওইদগী কান্নজগনি, ইমুংগী চরাংনবা লৈ, পূক্লিং ফাথবীয়ু।
লল্লোল ঃ চাউখৎপা পীগনি, হীদাক্কী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ অনৌবা ৱাখল পোকহনগনি।
হকচাং ঃ খ্বাঙ নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চা চন্দন।

**সিংহ ঃ** তৌরুবা থবক্তা খুরৌ থাংবা লৈগনি, ৱাখল লাংতক্লবা, অনৌবা পাউ তাবা লৈগনি।
লল্লোল ঃ সনা, ফিরোলগী থবক চাউখৎকনি।
পাখং-লৈশা ঃ খনবনা অমা, তৌবনা অমা লৈগনি।
হকচাং ঃ খ্বাঙ নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং : লৈ অঙাঙবা, চিনি অঙাঙবা।

**কন্যাঃ** মথক থোংবগী কান্নজবা লৈগনি, মীগা মুক্লবা, পোৎচৈ লেপ্পা ঙমজগনি।
লল্লোল ঃ ঈশিং, ফিগী থবক কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ ৱাখল লাংগনি।
হকচাং ঃ শরূদা নুংঙাইতবা লৈগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং : লৈ হিগোক, থোইদিং অমুবা।

**তুলাঃ** ঈকায়বা নংবা, খঙহৌদনা ৱাখল ওল্লকপা লৈগনি, শেল চৎপা লৈ।
লল্লোল ঃ ঈশিংগা মরী লৈনবা থবক্তা কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ শাউনবা লৈগনি, তপথবা ফৈ।
হকচাং ঃ পুক্তা নুংঙাইতবা লৈগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ হিগোক, চা চন্দন।

**বৃশ্চিক ঃ** পাউ নুংঙাইবা লৈগনি, মীনা শনমান তৌবীবা নুংশিবীবা ওইগনি অদুবু শেল চৎনবা মরম লাক্কনি।
লল্লোল ঃ অচা অথক্কী থবক, শেলগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ নুংঙাইবা পাউ লৈগনি।
হকচাং ঃ খোঙদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ হিগোক, থোইদিং অমুবা।

**ধনু ঃ** করিসু নত্তবদা শাউনিংবা, অকাউবনা পোৎমাঙ চৈমাঙ পীবা লাক্কনি, পূক্লিং তপথবা ফৈ।
লল্লোল ঃ হীদাক, অচা অথক্কী পোৎলম কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ মীনা পাউথোকপীবা লৈগনি।
হকচাং ঃ উনসা, ঈশিং মরী নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, ঘী।

**মকর ঃ** মীৱা মৈশা লৈবা, ইমুংদা অনা অয়েক পীরকপা, খুরৌ থাংবা লৈগনি, পূক্লিং ফাথবীয়ু।
লল্লোল ঃ ফিরোলগী থবক কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ ৱাখল মান্নগনি।
হকচাং ঃ পুক, খ্বাঙ নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ থাউ অহিংবা, লৈ হিগোক।

**কুম্ভ ঃ** ৱাখল নুংনাংবা, তৌরুবা থবক্তা কান্নজগনি অদুবু তীন্নবগা মুক্লবা লৈগনি।
লল্লোল ঃ হীদাক লাংথক্কী থবক কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ চান্নবা হেনগনি, ৱাখল মান্নগনি।
হকচাং ঃ মীৎতা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙাঙবা, চিনি অঙাঙবা।

**মিন ঃ** লাংতক্লবা, ইচা ইনাওদগী নুংঙাইজবা ফংবা, কান্নজবা, অরংবা পোৎলম ফংজবা লৈগনি।
লল্লোল ঃ সনা লুপাগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ ৱাখল লাংগনি, মওল মওল খনবা, নুংনাংবা লৈ।
হকচাং ঃ কোক্তা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ থোইদিং অঙৌবা, লৈ হিগোক।

**কোকচনবা পোৎলমশিং ইশানা নীংবা ঈশ্বরদা কৎপীয়ু।**
**যোগিনী মায়কৈদা অমসুং য়েৎওইনবা মায়কৈদা যাত্রা তৌবা ফত্তে।**